# পেস-বোপান্নানা কোরিয়াবু দেভিস কপকী প্লে-ওফতা য়াম্না লায়না মায় পাকখ্রে



চান্দিগর, জুলাই ১৬ ঃ

ভেটরান লিএন্দর পেস অমদি রোহন বোপান্নানা মফম অসিদা চথরিবা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফকী এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী টাইগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কোরিয়াগী সিওং চান হোং অমদি হোং চুংগী জুরাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা দোমিনেট তৌনা চান্দিগর ক্লবকী গ্রাসকোর্টতা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্ট টিমবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

সকেথ ময়নেনি অমদি রামকুমার রামানাথন্না ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী সিঙ্গল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়ানা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইখ্রবা জুরা অসিনা শান্নখিবা মখোয়গী মেচ অদুদা ওপোনেন্ট সাইদতগী থোইদোকপা শাফু অমত্তা ফংদনা য়াম্না লায়না মেচ অদু শান্নখি।

অহুমশুবা সেটতা কোরিয়ননা পেসপু নমহৎতুনা শান্ননবা হোৎনরকখ্রবসু ইন্দিয়নগী মায়কৈদা হেন্না অকনবা প্রেসর পীবা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা কোরিয়াবু নমহৎতুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্তেন আনন্দ অমৃটরাজনা পেস অমদি বোপান্না অনীনা শান্নখিবা প্লে অদুদা অপেনবা পোকখি। ঙরাংদগী অকনবা নোং চুদুনা লাকখিবা অদু ঙসি অয়ূক্তা লৈচিল থারম্বশিং অমত্তা লৈরমখিদবগা লোয়ননা অতিয়া অদু তশেং তশেংনা লৈখি।

মেচ অদু অফবা ৱেদরদা শান্নখি। অদুবু নুংশিৎতি খরা শিৎপনা প্লেয়রশিংদা অপেনবা হায়বদুদি ওইখিদে।

অমরোমদা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান দেভিস কপ টাইগী মেচতা ইন্দিয়াগী সাকিথ ময়নেনি অমদি রামকুমার রামানাথন্না অকনবা চেলেঞ্জ তৌদুনা মখোয়গী মায়োক্ন খিবা ওপোনেন্টশিংবু মায়থীবা পীদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা অমদি ৱর্ল্ড রেঙ্ককী ২১৭ শুবদা লৈরিবা রামকুমারনা অহানবা ওইনা মহাক্কী দেভিস কপ শান্নরকখিবা অদুদা সিওং চান হোংবু নমহৎতুনা মায়থীবা পীখি।

পুং ২ গা মিনিট ৩৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা রামকুমারনা মায়োক্নখিবা হোংবু ৬-৩, ২-৬, ৬-৩, ৬-৫ (১৫/১৫) দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ময়নেনিনা কোরিয়াগী য়োং-কয়ু লিমবু নমহৎনা শান্নখিদুনা ৬-১, ৩-৬, ৬-৪, ৩-৬, ৫-২ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা ময়নেনিনা পিচতা মতম খরা চাশিন্নবা ঙমখিদ্রবসু মখা তারকপদা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু ইরায় লায়না নমহৎপা ঙমখিবদগী মেচ অদু মায় পাকখিবনি।

# প্রেমিয়র ফুটসাল লীগ ঃ রয়ন গিগসকী মুম্বাইনা মায় পাকখ্রে, রোনালদিনহোগী গোৱা মায়থীখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ১৬ ঃ

ফুটবোল লেজেন্দ রয়ন গিগস অমদি হের্নন ক্রেস্পোনা লুচিংবা মুম্বাই ফাইভস অমদি কোলকটা ফাইভসনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইরাই নুমিৎতগী চথুবা হৌখ্রবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা মথংশিংনা চেন্নাই ফাইভস অমদি গোৱা ফাইভসপু ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

হৌদোকপা নুমিৎকী মেচ অদুদা গিগসনা লুচিংবা মুম্বাই ফাইভসনা অকনবা মওংদা দিফেন্স তৌদুনা শান্নখি অমদি চেন্নাইদা মাষ্টর ক্লাসকী কাউন্টর এটেকশিং পীখি। গিগসনা পেলে ওফ ফুটসাল হায়না খঙনরিবা ফালকাওগী মায়োক্তা অকনবা চার্জ তৌখি অমদি এন্যুগুরেল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা গেম অদু মায় পাক্তুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা চহী ৩০ হেন্না ফুটবোল শান্নদুনা লাকখ্রবা গিগসনা হৌদোকপা নুমিৎকী ফুটসাল পিচতা মহাক্কী অহানবা ওইনা প্লে কুমখি। মুম্বাই ফাইভসনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টগী মায়কৈদা অকনবা শাফুশিং পীখি। গিগস অমদি কুমজা ২০০৩ গী বেষ্ট ফুটসাল প্লেয়র তাখিবা ফোগলিয়ানা মশক থোক্লা শান্নদুনা মখোয় টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

মুম্বাই ফাইভসনা মখোয়গী অহানবা গোল অদু মখোয়গী ফংখিবা পেনালটিদা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। সিরিলোদা হেন্দবোল অমা তাখিবদগী মুম্বাইগী ফেভরদা পেনালটি অদু পীখিবনি। মদুদা ফোগলিয়ানা নিংথিনা চেন্নাইগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি।

চেন্নাইগী কিপরনা বোল লাক্কদবা মায়কৈদা চোংদনা শেরান্ননা চোংখিবদগী বোল অদু সেভ তৌবা ঙমহৌখিদে।

অহানবা ক্বার্টরদা চেন্নাইনা মখোয়গী গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদসু চেন্নাইনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ০-২ দা লৈখি। মুম্বাইনা চেন্নাইগী অচেংবা তাঞ্জা লৌদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা এঞ্জেল্লোটনা য়াম্না মশক থোক্লা বোল অমা কন্ট্রোল তৌরগা পুশিনখিদুনা মায়োক্লবা টিমগী কিপরবু লৈমায়দা চিংথরম্লগা কাওশিনখিদুনা মুম্বাই ফাইভসকী অহুমশুবা গোল চনখি।

চেন্নাইনা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু মুম্বাইগী অকনবা দিফেন্সতা হায়জিনবা ঙমদনা লৈখি। ফালকাওনা মহাক্কী হৈজ-শিংজবা কয়া শীজিন্নদুনা শান্নরকখ্রবসু হাফ ফাওবদা মুম্বাইনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তাবা মেচতা রালিরেজনা গোল অমা চনশিনখি। অদুগা চেন্নাইগী সিরিলো অমদি ফালগাওনা গোল অমমম চনশিনখিদুনা মুম্বাইগী মখূৎতা ২-৫ দা মায়থীহৌখি। মুম্বাই ফাইভসনা পোইন্ট অহুম ফংখ্রে।

হৌদোকপা নুমিৎকী অনীশুবা মেচতা রোনালদিনহোনা লুচিংবা গোৱা ফাইভসকী টিমগী প্লে য়েংনবা ষ্টেদিয়মদা মীয়াম্না চোন্না তিনখি। অদুবু গোৱানা কোলকটাগী মখূৎতা ৪-২ দা মায়থীখি।

কোলকটানা মেচ হেক হৌখিবগা অথুবদা গোল অনী থংনা থংননা পুলা অমদি মোহমেদ ইস্লামনা চনশিনখি। ইস্লামনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ফুটসালর অমনা গোল চনবসু ওইখি।

গোৱাগী রাফেলনা মেচকী মিনিট ২১ চৎপদা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট অহুমগী মতুংদা ক্রেস্পোনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ৩-১ দা লৈখি অদুগা গোৱাগী সন্টোসনা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনবা ঙমখিদুনা ২-৩ দা লৈখি।

রোনালদিনহো অমদি মহাক্কী প্লেয়রশিংনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখ্রবসু মখোয়গী প্লেয়র মার্সেলনা ওন গোল অমা চনশিনখিদুনা কোলকটানা ৪-২ দা মায় পাকখি।

# জর্মনিগী রিও ফুটবোল স্কাদতা বেন্দরগী মচিন মনাও য়াওখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ :

লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা জর্মনিগী মীওই ১৮ না শাবা ফুটবোলগী স্কাদ অমা লাউথোকখিবগা লোয়ননা স্কাদতা মচিন মনাও ফাইবোক লার্স অমদি ষ্টেবন বেন্দরস য়াওবা ঙমখ্রে

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এক্সা ভগেঞ্জা অসিগীদমক জর্মনিগী লাউথোকখিবা স্কাদতা মশাগী চহী ২৭ শুবদা নত্তনা ফ্রেবর্গকী এটেক্কর নিলস পিটরসেননা চহী ২৩ গী মথক্তা লৈবা প্লেয়র অহুমগী মনুংদা অমা ওইরে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

বোরুসিয়া দোর্টমুনগী দিফেন্সিব মীদফিল্ডর ষ্টেবননা জর্মনিগীদমক তরেৎলক শরুক য়াদুনা শান্নখ্রে। অদুগা মীদ ফিল্ডর লার্সনা নেসনলদা ১৯ লক শরুক য়াদুনা শান্নখ্রে। বোরুসিয়া দোর্টমুনগী সেন্ট্রেল দিফেন্দর মেথিয়াস গিন্টর মতোমতনা ৱর্ল্ড কপ্তা শান্নখিবা প্লেয়র ওইনা য়াওরে।

মহাক্না কুমজা ২০১৪ গী ব্রাজিলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুগী জর্মনিগী স্কাদতা য়াওদুনা শরুক য়াখিবনি। জর্মনিনা ওলেম্পিক অসিগী ফুটবোলগী দ্রোদা গ্রুপ সিদা তাদুনা ফিজি, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া অমদি মেক্সিকোগা পূনখ্রে।

জর্মননা মখোয়গী কেম্পেনগী অহৌবদা মেক্সিকোগা মায়োক্নদুনা সলবাদোরদা ওগষ্ট ৪ দা শান্নগনি।

জর্মনগী স্কাদতা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা টিমো হোর্ন, জানিক হুথনি। দিফেন্দরদা নিকলাস সুল, জেরেমি টোলজান. রোবার্ট বৌর, মেথিয়াস গিন্টর, লুকাস কোলষ্টরমান, ফিলিপ মেক্সনি।

মিদফিল্ডরদা জুলিয়ন ব্রান্দট, লার্স বেন্দর, ষ্টেবেন বেন্দর, মেক্স খৃষ্টিয়নাসেন, সর্জ গনাব্রে, মেক্স মেয়র, লিওন জোগেটস্কানি। ফোরৱার্দসতা নিলস পিটরসেন, দেভি সেলকে অমদি গ্রিসচা প্রোমেলনি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা রিও গেমসতা নেসনল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়ারগনি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ :

লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী বোক্সর শিভ থাপা (কেজি ৫৬), মনোজ কুমার (কেজি ৭৫) অমদি ভিকাস কৃষন (কেজি ৭৫) না নেসনল ফ্লেগকী মখাদা শান্ননবগী অয়াবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা রিও ওলেম্পিক্সতা নেসনল ফ্লেগকী মখাদা শান্নবা য়ারগনি হায়বগী অয়াবা অসি ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) না পীখিবনি। লৈবাক অসিগী বোক্সিংগী নেসনল ফেদরেসনগী লৈরিবা ওফিসলশিংগী মরক্তা য়ানদবা লৈবদগী ৱাথোক ওইরক্তুনা নেসনল ফেদরেসনবু ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) না কুমজা ২০১২ দগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

লৈবাক অসিদা বোক্সিং মশান্নবু য়েংশিল্লিবা এদহোক কম্মিটিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা এ আই বি এনা ইন্দিয়ন টিমদা খুদোংচারোইদবা থৌওং খরা পীরকখ্রবসু মদু পাঙথোক্তে হায়বগী থোইদোকপা চিংনবা অমত্তা রিও গেমসতা মায়োক্লবা তৌররোই হায়খি।

হৌখিবা চহী মরি অসি নেসনল ফেদরেসন লৈতবদগী লৈবাক অসিদা বোক্সিংগী ওইবা নেসনল কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্তনা লাক্লিবনি অমদি নেসনল ফেদরেসন লৈতবনা চীফ কোচ জি এস সান্ধু অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী দিরেক্টর জেনরেল ইঞ্জেটি শ্রীনিভাস য়াওবা এদহোক কম্মিটি অমনা য়েংশিনদুনা লাকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংগী সেলেক্সন ট্রাইয়েল য়াওনা ওফিসল ওইবা থৌদাংশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমগীদমক ওফিসলশিং লোয়নদুনা চৎনবগী অয়াবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা আইবানা পীরকপা লৈত্রিসু হায়রি।

পনবা য়াই, লৈবাক অসিগী বোক্সিংগী নেসনল ফেদরেসননা চয়েৎনবা কয়া লৈবদগী আইবানা অনৌবা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা ফেদরেসনবু হিঙ্গৎহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহল্লকখ্রবসু থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লাকখিবনি। তং-তাবা নেসনল ফেদরেসন লৈতবনা বোক্সিং মশান্নবু দিভলপমেন্ট পুরকপা ঙমদনা লৈবদা নত্তনা নোংম-নোংমগী মনিং হন্না চৎলক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপী বোক্সর নিপাননা শরুক য়াখিবদা মণিপুরগী এম সি মেরি কোমনা নুপী বোক্সিংদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি। চহী মরিগী মতুং রিও গেমসতা লৈবাক অসিগী বোক্সর অহুমখক্তনা শরুক য়াগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী ওইবা নেসনল ফেদরেসন অমা শেম্নবগীদমক হৌখিবা থা মরি অসিদা মীখলগী মতম মরিরক পাঙথোক্লবা লেপখ্রবসু মীখল পাঙথোক্তনা লাক্লি। অদুমকপু মীখলগী অনৌবা মতম অমা লাউথোক্লবা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা এদহোক পেনেলনা মুম্বাইদা মরুওবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

# আই এ এ এফকী অনৌবা নিয়মদা এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ককঙাওনরে, এথলেট মশীং তাথনা শরুক য়াগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ :

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলেটিক্স টিমগী এথলেট ৩৮ না শরুক য়াগনি হায়না হান্ননা লাউথোকখিবা অদু মশিং অনী তাথরগা এথলেট ৩৬ না শরুক য়ারগনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি মিটর ৪০০ গী ইভেন্টতা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা নুপা অমদি নুপী এথলেট অনীনা শরুক য়াগদবা ওইরবদি মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদা ওইনা শরুক য়াহন্নবা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না খঙহল্লকপদগী এথলেট মশিং হন্থরকপগী ফীভম অসি লাকখিবনি। মোহমদ অনাস অদি নিরমালা শিত্তরাননা নুপা অমদি নুপী ইন্দিভিজুয়েলগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইখি অদুগা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী টিম অনীমকসু মিটর ৪X৪০০ গী রিলে ইভেন্টতা ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখি।

শিওরান অমদি অনাসনা রিলে টিমদা মখোয়গী মমিং য়াওদ্রবসু ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ক্বালিফাই ওইবনা রিলে ইভেন্টতা অদুমক শরুক য়াবা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈবনা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না নুপা অমদি নুপীগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদা শিওরান অমদি অনাস য়াওদনা এথলেট ৬/৬ কী মমিং হাপখিবনি। অদুবু অনৌবা নিয়মগী মতুংইন্না মিটর ৪০০ গী রেসতা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা ক্বালিফাই ওইরবা এথলেট অমনা রিলেদসু য়াওগদবা ওইরবদি মহাক্কী মমিং টিমদসু য়াওহনগদবনি। মদু নৎত্রবদি এথলেট অদু রিলে ইভেন্টতা শরুক য়াবা ফংলোই হায়না আই এ এ এফনা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) দা খঙহল্লকখিবনি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না অনাস অমদি শিওরানবু রিলে টিমদা য়াওহনবা পান্থনা মখোয় অনীগী মথক্তা তোঙানবা এথলেট ৫/৫ গী মমিংসু নুপা অমদি নুপীগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদা হাপচিনখি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী এথলেটিক্স টিমবু এথলেট ৩৮ ওইবদগী ৩৬ না হন্থরকখিবনি।

পাউগী সোর্স অমদা এ এফ আইনা হায়খি, ঐখোয়না আই এ এ এফতগী ঈ-পাউশিং ফংলে। আই ও সী/আই এ এ এফকী অনৌবা রুলদা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ক্বালিফাই ওইরবা এথলেটশিং টিমদা শরুক য়াদুনা চেনগনি হায়বসি খঙলে হায়বা ৱাফম থমখি।

হান্নদি ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা তরুকশুবা এথলেট অমা হাপ্তুনা লমজেল চেল্লমদাই অরোইবা মীৎকুপতা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ক্বালিফাই ওইবা এথলেট অদু পুশিল্লক্তুনা শরুক য়াবগী নিয়ম লৈরম্মী অদুবু অনৌবা হোংলক্লিবা নিয়মদা এ এফ আইগী ওফিসল খরদি অঙকপা পোকখি।

এ এফ আইনা মমাঙদা নুপাগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদা জিথিন পাউল নৎত্রগা ললিট মাথুর অমদি নুপীগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদনা প্রিয়াঙ্কা পনৱার নৎত্রগা অনু রঘৱানগী মমিংবু তরুকশুবা রন্নর ওইনা হাপখ্রবসু মখোয়গী মমিং রিওগী টিমদগী লৌথোকপগী ফীভমদা লৈরে।

পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমদা মিটর ৮০০ গী ইভেন্টতা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা ক্বালিফাই ওইখ্রবা টিন্টু লুকাদি নুপীগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদসু শরুক য়াবা ফংগদৌরি। মহাক্কী অহানবা লেপকী মতম অসি ক্বার্টর মাইলর অমগুম্না য়াঙনা চেনবা ঙম্বনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা লুকানা ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ৪X৪০০ গী রিলে টিমদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি।

পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরকপদা, লুকানা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা ক্বালিফাই ওইখ্রবনা মহাক্কী কেস অসি তোঙাল্লি। অনৌবা নিয়ম অসি য়াম্না অঙকপা অমা ওইরবসু মসি ইনদুনা চৎপা নত্তনা অতোপ্পা উপায় অমত্তা লৈতে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

OFFICE OF THE
MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA),
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL.

No. 8/4/2014-MUDA Dated 14.07.2016

Request for Proposal

Manipur Urban Development Agency (MUDA) functioning under Municipal Administration, Housing & Urban Development (MAHUD), Government of Manipur, intends to empanel registered non-government organisations having its area of operation in the State with significant experience in the field of identifying affinity groups, nurturing, capacity building, livelihood promotion, establishing links to ULBs, formation of federations & other related activities and credit linkage of Self Help Groups (SHG) in the areas covered by Imphal Municipal Corporation, Thoubal, Kakching, Nambol, Mayang Imphal, Moirang, Ningthoukhong, Bishnupur, Lilong Thoubal, Kakching Khunou, Yairipok, Kumbi, Wangoi, Kwakta, Wangjing Lamding, Shikhong Sekmai, Jiribam, Sugnu, Lamlai Municipal Councils, Samurou, Thongkhong Laxmi, Lilong (IW), Andro, Lamsang, Oinam, Sekmai and Heirok Nagar Panchayats as Resource Organisations (RO) under the centrally sponsored scheme of "Deendayal Antyodaya Yojana (DAY) - NULM.

2. For Imphal Municipal Corporation, Thoubal, Kakching, Mayang Imphal, Nambol, Moirang, Ningthoukhong and Bishnupur, preference will be given without any condition to the ROs currently empanelled by MUDA and operating in these towns if they desire so. An agency/NGO will be allotted a maximum of 14 (forteen) towns only.

3. An amount of Rs. 10,000/- (Rupees ten thousand) only will be spent per SHG for each formation and payment will be made on the basis of milestone like SHG formation, training of members, bank linkage, formation of federation at the ward and city levels and access to benefits under DAY - NULM including revolving fund. The RO will handhold the SHG for a minimum period of 2 years.

4. For this purpose, MUDA now invites eligible entities to indicate their interest in providing the above service. Empanelment of entities shall be made ULB wise and shall be applicable for a period of five years subject to the performance by the NGO. Interested bidders may refer to website http://manipur.gov.in for details including eligibility criteria, selection process, documents for submission and terms of reference on the said assignment. The proposal complete in every respect may be delivered to the undersigned by Post/Courier/Registered Post on or before 10.08.2015 upto 3.00 PM in a sealed envelope clearly mentioning on the top of it "RFP FOR EMPANELMENT OF RESOURCE ORGANISATIONS under (DAY) - NULM". The Member Secretary MUDA, reserves the right to accept or reject all or any of the proposals and terminate the selection process without assigning any reason thereof.

14/7/2016
(N. Gitkumar Singh)
Member Secretary
Manipur Urban Development Agency
(MUDA), Imphal.

DIPR No. 2/33/2015-DIPR(V-II)

*In case of queries and clarification on the above, please contact:*
The Programme Officer ,Manipur Urban Development Agency (MUDA)
PDA Building Complex, 2nd Floor Phone – 08132057198, E-mail: mudamanipur@gmail.com

HL-B/3194/17

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE STATE MISSION DIRECTOR, ICDS, MANIPUR
(Directorate Complex, 2nd M.R. Gate, North AOC, Imphal)

NOTIFICATION
Imphal, the 16th July, 2016.

Nos.1/1/ICDS(R&S)-2013 It is hereby informed to all the Candidates applied for the post of Programme Manager, Senior Consultant/Consultant, District Coordinator, Counselor, Nutrition & Health Mobilisers, ECCE Coordinator and M&E Nutrition Surveillance Coordinator **under State ICDS Mission Mode** that the Interview/Viva-Voce will be held from the 22nd July, 2016 to 3rd August, 2016 onwards at the Bal Bhavan, Khuman Lampak, Sports Academy Complex, Imphal. The Interview will start at 9 a.m. sharp as per the following Schedule.

I) Programme Manager & Senior Consultant

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 25/07/2016(Monday) 9 a.m. onwards | All Candidates |

II) District Co-Ordinator

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 26/07/2016(Tuesday) 9 a.m. to 27.7.2016 onwards | All Candidates |

III) Counselor

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 28/07/2016(Thursday) 9 a.m. onwards | All Candidates |

IV) Nutrition & Health Mobilisers

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 23/07/2016(Saturday) 9 a.m. onwards | 1-100 |
| 2. | 25/07/2016(Monday) 9 a.m. onwards | 101-200 |
| 3. | 26/07/2016(Tuesday) 9 a.m. onwards | 201-300 |
| 4. | 27/07/2016(Wednesday) 9 a.m. onwards | 301-410 |

V) ECCE Co-Ordinator

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 28/07/2016(Thursday) 9 a.m. onwards | 1-100 |
| 2. | 29/07/2016(Friday) 9 a.m. onwards | 101-200 |
| 3. | 30/07/2016(Saturday) 9 a.m. onwards | 201-300 |
| 4. | 01/08/2016(Monday) 9 a.m. onwards | 301-410 |
| 5. | 02/08/2016(Tuesday) 9 a.m. onwards | 401-538 |

VI) M&E Nutrition Surveillance Coordinator

| Sl. Nos. | Date & Time | Candidates whose SL. Nos. fall within |
|---|---|---|
| 1. | 03/08/2016(Wednesday) 9 a.m. onwards | All Candidates |

Further, it is hereby informed to all the Candidates applied for the above post to collect their admit card commencing from 19th July 2016 to 21st July 2016 at 9 a.m. onwards at Bal Bhavan, Khuman Lampak.

(L. Nabakishwar Singh, IAS)
State Mission Director, ICDS,
Manipur.

HL-B/3197/17&18